**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 01-02-2025)**

**বজেটঃ** শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী কেন্দ্রগী বজেট ঙসি লোক সভাদা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা পুথোকখ্রে। ঙসি পুথোকখিবা বজেট অসিনা হীরম তরাদা মপুং ওইবা মীৎয়েং থল্লি। বজেট অসিনা মীপুম খুদিংমকপু পুন্না চাউখৎমীন্ননবগী লম্বী অমদা পুশিল্লকবা পান্দম থল্লি।

বজেট অদু পুথোক্লদুনা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা হায়-সরকার অসিনা থবক পীবনা লমজিংবা চাউখৎপা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী পান্দম থল্লি। লাক্লিবা চহি মঙা অসি গ্রোথ হেনগৎহন্নবগী থোইদোকপা তাঞ্জা অমা ওইনা সরকার অসিনা লৌই।

মন্ত্রিনা অনৌবা ইনকম টেক্সকী স্লেপ পুথোক্লদুনা হায়-লুপা লাখ ৪ ফাওবদি টেক্স লৌরোই। লুপা লাখ মরিদগীনা ৮ ফাওবা তানবশিংগীনা চাদা ৫ অমসুং লুপা লাখ ৮ দগী লাখ ১২ ফাওবগীনা চাদা ১০ টেক্স লৌগনি। চহিদা লুপা লাখ ১২ দগী ১৬ ফাওবা ইনকম লৈবশিংগীনা চাদা ১৫, লুপা লাখ ১৬ তগী ২০ ফাওবা ইনকম লাকপশিংগীনা চাদা ২০ টেক্স লৌগনি। লুপা লাখ ২০ দগী ২৪ ফাওবা তানবশিংগীনা চাদা ২৫ অদুগা লুপা লাখ ২৪ গী মথক্তা তানবশিংগীনা চাদা ৩০ টেক্স লৌগনি।

শেল থুম মন্ত্রিনা হায়-রেন্টতা চহিদা লুপা লাখ অনি লিশিং ৪০ দা লৈরম্বদু লুপা লাখ তরুক্তা হেনগৎলে। সেনিয়ার সিটিজন্সশিংগী টি.টি.এস. লুপা লিশিং ৫০ দগী লুপা লাখ অমদা হেনগৎলে। মন্ত্রিনা হায়-হৰাই পুথোকপদা অত্মা নিরভারতা ওইহন্নবা চহি তরুক চৎনগদবা মীসন অমা সরকার অসিনা হৌদোক্লগনি। নেসনেল মীসন ইদিবল ওইল সিদস মায় পাক্লে অমসুং ইশাগী শিজিন্নবা ওকবা পোৎথোক পুথোকপা ঙম্বগুমলে। পুথোক পুথোকপা অমসুং

কৈথেলদা য়োনবগী চাং হেনগৎহন্নবা মখানা বোর্ড লিংখৎলগনি। পোৎথোক য়ামা থোকপা মরু-মরাংগী ওইবা নেসনেল মীসন অমা হৌদোক্লগনি।

এম.এস.এম.ইশিংগী টার্ম লোন লুপা কোতি ২০ দা হেনগৎলে। অহানবা ওইনা ওন্টরপ্রেন্যুয়র ওইরবা এস.সি. অমসুং এস.টি. নুপীশিংদা মথং চহি মঙা ফাওবদা লুপা কোতি অনি ফাওবা টার্ম লোন পীরগনি। মথং চয়োলদা অনৌবা ইনকম টেক্স বিল পুথোক্লগনি। সরকারনা জন্ন বিশ্বাস টু জিরো বিল পুথোক্লগনি। ইনদাইরেক্ট টেক্সতা টারিফ রেট তরেৎ লৌথোকবা প্রস্তাব তৌরি।

**রিয়েক্সন** ঃ লোক সভাদা ঙসি শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা পুথোকখিবা শেনবা চহি ২০২৫-২৬ কী কেন্দ্রগী বজেটতা মায়কৈ কয়াদগী তোঙান তোঙানবা মোত পীনরক্লি।

কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা বজেট অসিবু তরামা ওক্লদুনা হায়-বজেট অসি ভারতপু মপুং ফানা চাউখৎলবা লৈবাক অমা ওইহন্নবা সরকারগী মংলান অদুগী ব্লু প্রিন্টনি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী সাহনা হায়-বজেট অসিনা লৌমী, লাইরবা অমসুং মিদল ক্লাসতগী হৌরগা স্তার্টঅপ, ইনোভেসন অমসুং ইনভেষ্টমেন্ট ফাওবা সেক্তর খুদিংমক কোনশিল্লে। মহাকা হায়-টেক্স কোকপীনবা প্রস্তাব তৌরিবা অসিনা মিদল কাস মীয়ামগী শেল থুমগী ফিভম ফগৎহনবদা তুং কোইনা কান্নবা পীরগনি।

কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি-শিবরাজ সিংহ চৌহাননা হায়-বজেট অসিনা ভারতপু মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইহল্লগনি অমসুং লৈবাক অসিগী শেন মীৎলোনগী য়াঙলেন শরু ওইরিবা লৌউ শিংউদা মপুং ওহবা মীৎয়েং থল্লি। কেন্দ্রগী মন্ত্রি-জ্যোতি অদিত্য সিন্ধিয়ানা হায়-বজেট অসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী মীৎয়েং অমসুং ভিক্সিত ভারত মীসনগা চুংশিন্নরে। মসিনা ভারতপু মীপাল তাংদনা লেপ্পা ঙমহন্নবা পান্দম থল্লি।

বিরোধি লুচিংবা কয়ানদি বজেট অসিদা মিদল ক্লাস অমসুং লৈবাক অসিগী

নহারোলগী কান্নগদবা করিমত্তা য়াওদ্রে হায়না সরকারবু সমালোচনা তৌরি। কংগ্রেস এম.পি. সাসি থারুরনা হায়-বজেট অসিনা নহারোলগা মরী লৈনবা থবক ফংদবগী সমস্যা অমসুং অতোপ্পা ৱাফমশিং করিমত্তা খন্নদ্রে।

ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান চেম্বরস ওফ কর্ম্মস এন্দ ইন্দষ্ট্রি (ফিকি) না কেন্দ্রগী বজেট অসি টুরিজম অমসুং মেরিন সেক্তরদা মীৎয়েং থম্বা অসিনা চাউনা কান্নবা পীরগনি হায়না তরামা ওক্লি। ফিকিগী প্রসিদেন্ট-হরস বরধন অগরৱারলনা হায়-কুমশিগী বজেট অসিগী মপুং ওইবা শক্তমদি-টেক্সকী চাং হন্থবা অসিনি।

কনফিদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ইন্দষ্ট্রি (সি.আই.আই) গী চেয়ারমেন-সরদুল স্রোফনা হায়-বজেট অসিগী খ্বাইদগী চাউবা কান্নবদি মিদল ক্লাস কাংবুদগী পার্সোনেল টেক্স পুমলৌ লৌথোকখিবা অসিনি।

মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা হায়-কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামনা ঙসি পুথোকখিবা কেন্দ্রগী বজেট অসি মীয়ামগী ওইবা বজেট নত্তে। বজেট অসিনা ভারত্তা লৈরিবা লাইরবশিং অমুক্কা হেন্না অৱাবা পীরগনি। ইনাক খুনবশিংনা হেন্না নুংঙাইবা পুন্সি অমা ওইহল্লগনি।

**প্রোগ্রাম (এল) ঃ** তাবীরিবা পাউ অসি হেক লোইবগা কেন্দ্রগী বজেট ২০২৫-২৬ কী মতাংদা খন্ন-নৈনবগী থৌরম অমা শন্দোক্কনি। থৌরম অসিদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী প্রোফেসার-এম.সি. অরুন অমসুং চিংলেন মৈস্নামগা লোয়ননা সেনিয়ার জর্নেলিষ্ট-অহোংশংবম মোবি শরুক য়াগনি। থৌরম অসি অকাশবানি ইম্ফালগী ঈ পাউ কাংবুনা পুথোকপনি।

**সিএম (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা হায়রি-ঙমখৈ পরিং শম্বল খাবা, অকোইবগী ফিভম কন্নবা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিং মুথৎনবা অমদি রাজ্য অসিদগী ফ্রি রিজিম মুভমেন্ট লৌথোকবা সরকার অসিনা হোৎনরিবা খোঙথাং

অসি শোয়রগদি শোয়রে হায়বিয়ু অমসুং লমজিং লমতাকপীয়ু।

ইম্ফালদা ফোংবা পোকফম পাউচেগী গোল্ডন জব্লি থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সরকারনা অচুম্বা অমদি অফবা খোঙথাংশিং পায়খৎলকপদা মীয়ামা শৌগৎপীয়ু। অচুম-অরান থিদনা সরকারগী মথক্তা অহেনবা ৱাফম কয়া ফোংদোকপদি অচুম্বা খোঙথাং ওইরোই। হৌজিক অসি রাজ্য অসিদা অৱা অনা থেংনরিবা মতমনি। মসিদা সরকারনা পায়খৎলকপা থবক থৌরমশিংদা অপেন-পেন্দা লৈগনি।লৈবাক ঙাকপা হায়বসি হন্দোক হঞ্জিন খরা তৌনদবা য়ারোই।

থৌরমদুদা আই.পি.আর. মন্ত্রি-ডাঃ সাপম রঞ্জন, এম.এল.এ. খোংবানতাবম ইবোমচানচিংবা শরুক য়াখি।

**সিএম (এল) ঃ** মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়রি-ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংদা অহানবা প্রাইওরিতি পীরদুনা মখোয়গী য়াইফনবা থবক থৌরম তৌরি।

বিষ্ণুপুর জিলাগী কুম্বী তেরাখোং হাস্কুলদা পাঙথোকপা মীয়ামগা উন্নবগী থৌরমদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-সরকর অসিনা ঙসি ফাওবদা আই.দি.পিশিংদা অহানবা প্রাইওরিতি থমদুনা মখোয়গী খুদোংচাবা কয়া পীবা হৌখ্রে। সরকার অসিনা হান্নদগী ৱান ফেমিলি, ৱান লাইফলিহুদ স্কিমগী খুদোংচাবা পীদুনা লৈরি। স্কিম অসিগী মখাদা আহ.দি.পিশিংনা লাইফলিহুদ ফাইনান্সিয়েল এসিষ্টেন্টকী খুদোংচাবা লৌবা য়াগনি।

**নুমিৎ(এল) ঃ** থৌবাল জিলাদা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা শিনদুনা থা খুদিংগী অহানবা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকপা হৌখিবা মীয়ামগী নুমিৎ ঙসিসু মীওহ লিশিং কয়ানা শরুক য়াদুনা থৌবাল দি.সি. কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসিদা বিভাগ খুদিংমক্কী স্তোল ৩০ রোম হাংদোক্তুনা মীয়ামগী ৱাকৎ তাখি।

**মালেম (এল) ঃ** মালেমগী ৱেটলেন্দ নুমিৎ ২০২৫, হয়েং মনিপুরদসু রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জননা শিনদুনা কাঞ্চিপুরগী লাইশাংথেমদা পাঙথোক্লগনি।

হন্দক চহিগী ওইনা পালন অসিগী হীরমদি তুংগী মীরোলগীদমক ৱেটলেন্দশিং ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসিনি। থৌরম অসিদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেন সিংহ, ফোরেষ্ট, এইনভাইরোনমেন্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জকী মন্ত্রি-টি.ঐচ. বিশ্বজিৎ সিংহ অমসুং লংথাবাল কেন্দ্রগী এম.এল.এ. করাম শ্যাম শরুক য়াগনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা হীরমশিংদা ৱেটলেন্দগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা চাংদমবদা মকোক মথং তারবশিংদা মনা-মথুমসু য়েন্থোক্কনি হায়রি।

**কেসিপি(এল) ঃ** ককচিং জিলাগী লাংমৈদোং মমাং অৱাং লৈকাইগী মফমশিংদা ঙসি সেক্যুরিতিগী অপুনবা কাংবু অমনা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা আইননা থিংখ্রবা লুপ কে.সি.পি (তাইবংঙানবা) গী মীওই অমা ফারে হায়রি।

পুলিসকী পাউনা হায়-মীওই অসি মীচম মীয়ামদগী নমদুনা শেল খায়বা, লুপ অসিদা মীওই য়াওহন্নবা হোৎনবা অমসুং ককচিং, থৌবাল অমসুং ইম্ফালগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদগী মী ফাবনচিংবদা চেন্নবা মীওইনি।

**কোন্বী(এল) ঃ** রাজ্য অসি থৌদোক ৱাথোক কয়াদা মীয়ামবু লুচিংদুনা রাজ্য অসিগীদমক অচৌবা থৌদাং লৌরম্বী-পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মনিপুরগী লুচিংবী ওইরম্বী-ইমা কোন্বী লৈখিদবগী ২১ শুবা নীংশিং থৌরম লমফেল সুপর মার্কেটতা লৈবা ইমা অসিগী য়াতাফমদা পাঙথোকখ্রে।

**গেমস ঃ** উত্তরাখন্দদা চথরিবা ৩৮ শুবা নেসনেল গেমসতা মনিপুরনা সনাগী তকমান ১১ লুপাগী ৯ অমদি শেঞ্জেংগী তকমান ৪ পুন্না তকমান ২৪ লৌদুনা

অনিশুবদা লৈরে।

সাভির্সেস স্পোর্টস কন্ট্রোল বোর্ডনা সনাগী ১৩, লুপাগী ৭ অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ৫ ফংদুনা অহানবদা অদুগা মহারাষ্ট্রনা সনাগী ১০, লুপাগী ১৭ অমসুং শেঞ্জেংগী তকমান ১১ ফংদুনা অহুমশুবদা লৈরি।

গেমস অসিদা মনিপুরগী ওইনা ৱুশু মশান্নদা সনাগী ৭, লুপাগী ৮ অমসুং শেঞ্জেংগী অনি পুন্না তকমান ১৭ ফংবা অসিদা নুংঙাইবা ফোংদোক্লদুনা ৱুশুগী কোর্স-এম. বিমোলজিৎনা অকাশবানি ইম্ফালদা হায়-

**বুক ঃ** রাস্ত্রপদি-দ্রৌপদি মুরমুনা হায়রি-লাইরিক পাবা হায়বসি ইশাগী পামজবা খক্তা নত্তে, মসিনা তোঙান তোঙানবা ৱাখল্লোন কয়া ফংদুনা অহোংবা অমা পুরকপা ঙম্মী।

ন্যু দিল্লিগী ভারত মন্দপমদা ন্যু দিল্লি ৱার্ল্ড বুক ফেয়ার হৌদোকপগী থৌরমদা রাস্ত্রপতিনা হায়-তোঙান তোঙানবা লোলশিংগী লাইরিকশিং পাবনা লমদম লমদমগী অমসুং কাংলুপ কাংলুপশিংগী চৎনরোলশিংবু মমুৎ তানা খঙবা ঙম্মী। অঙাংশিংনা পাবা য়াবা লাইরিকশিং পুথোক্তুনা লাইরিক্কী মরুওইবশিং অদু খঙহল্লসি হায়না শ্রীমতি ম্রমুনা ফোংদোকখি। মহাকা হায়-অঙাংশিংদা লাইরিক পানিংবগী ৱাখল্লোন অমা লৈহনবা হায়বসি য়ামমক তঙাইফদে অমসুং মসিনা অঙাংশিংগীদমক খ্বাইদগী অফবা লমচৎ ওইগনি।

বুক ফেয়ার অসিদা তোঙান তোঙানবা মালেমগী লৈবাক ৫০ হেনবনা শরুক য়ারি।